# ক্লাইমেট সম্মিটতা য়ানখিবা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোক্লবা দিমান্দ তৌরদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে




গ্লাসগো, নভেম্বর ০৭ (এজেন্সী) :
মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদগী লাকখিবা মশিং য়াম্লবা ক্লাইমেট এক্টিভিষ্ট কয়ানা হন্দক পাঙথোকখিবা ক্লাইমেট সম্মিটতা মালেমগী লুচিংবশিংনা য়ানখিবা ৱাফম ৱাহৈদো ওইনা লৈহনবগী মহুত্তা থবক্তা ওন্থোক্লবা দিমান্দ তৌরদুনা গ্লাসগোগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

গ্লাসগোগী তোঙান তোঙানবা মরুওইবা লম্বীশিংদা মীওই লাক্ষ অমরোম হেনবনা মখুত্তা তোঙান তোঙানবা ক্লাইমেট চেঞ্জকা মরী লৈনবা প্লে-কার্দশিং পায়দুনা খোঙজং অদুদা শরুক য়াখি। খোঙজং অসি মালেমগী লৈবাক শিনবা থুংনা চঙশিল্লবা য়ানা লৈরি। মমাং মতমদা গ্লোবেল ৱার্মিংগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংগী ওইবা মীফমদা য়ান্নখিবা ৱাফমশিং ঙসি ফাওবদা লৈবাক অমত্তনা থবক্তা ওন্থোকপা লৈত্রি। মসিনা মরম ওইরগা মীওইবা খুন্নাইনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবা হৌরক্লে হায়না খোঙচৎ অদুবু শিনখিবা ওর্গনাইজরশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ওর্গনাইজরশিংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ৱাহৈ খক্তমক হায়রগা থবক্তা ওন্থোক্লবদি মীফম অমা পাঙথোক্তুনা ফিরেপ লৌবগী ৱাহন্থোক লৈতে। অঙৈং অশাগী খল কায়থরকপা অসিগা মরী লৈননা মালেমগী লুচিংবশিংনা পায়খৎকদবা খ্বাইদগী মরুওইবা খোঙথাংদি সিষ্টেম চেঞ্জ তৌবনি। ক্লাইমেট চেঞ্জকী মতাংদা মীফম পাঙথোক্তুনা ৱারেপ লৌবা নত্তে।

ৱার্ল্ড পৱারশিংনা নুংশিত্তা মোৎশিনহনবগী চাং খ্বাইদগী হেল্লি। মরম অদুনা নুংশিৎতা কার্বোনদাইওক্সাইদ খ্বাইদগী হেন্না থাদোক্লিবা লৈবাকশিংনা হিরম অসিদা কা হেন্না মীৎয়েং চঙদুনা থবক তৌগদবনি। ৱার্ল্ডপৱারশিংনা কার্বোন ইম্মিসনগী চাং হন্থহল্লগনি অমদি কার্বোন ইম্মিসন জিরো ওইহল্লগনি হায়না কয়ারক হন্না লাউথোকপা লৈখ্রে। অদুবু থবক্তা ওন্থোক্তনা লৈরি।

পনবা য়াবদি মালেমদা কার্বোনদাইওক্সাইদ খ্বাইদগী হেন্না নুংশিত্তা থাদোক্লিবা লৈবাকসি চাইনানি। অদুবু হন্দক গ্লাসগোদা পাঙথোকখিবা ক্লাইমেট সম্মিট অদুদা চাইনাগী প্রসিদেন্ট ঝি জিন পিং শরুক য়াখিদে।

# বংলাদেশতা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা রোহিংজা রেফ্যুজিশিং তংদু লৈতাদবা ফিভম অমদা লৈরি

কুতুপালোং, নভেম্বর ০৭ (এজেন্সী) :
হৌখিবা কুমজা ২০১৭ তা ম্যান্মারগী মনুং চনবা রাখিন ষ্টেটতা ম্যান্মার মিলিটরিনা চথখিবা কা হেনবা মীওৎ মীনৈ খাংবা ঙমদবদগী লৈবাক অদু থাদোক্তুনা য়ুমথংনরিবা লৈবাক বংলাদেশতা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা রোহিংজা মুস্লিম লাক্ষ ৮ লোম হেনবগী লুচিংবা ওইদুনা লৈরম্বা মোহিব উল্লাহবু শকখঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা কাপ্তুনা হাৎখিবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং রেফ্যুজিশিংগী ৱাখল্লোন্দা চরাংনবা পোকহল্লি অমদি তংদু লৈতাদবা ফিভম অমদা লৈরি হায়না মশক মমিং হায়দোক্তবা রেফ্যুজি অমনা ফোঙদোরক্লি।



চয়োল খরগী মমাংদা কোক্স বজারদা লৈবা রোহিংজা রেফ্যুজিশিংগী কেম্পতা শকখঙদবা খুৎলায় পায়বা মীওই খরনা মোহিবপু কাপ্তুনা হাৎলমখিবনি। মোহিবনা লুচিংদুনা চল্লাইরম্বা ভোলুন্টিয়র গ্রুপকী মীওইশিংদসু টেলিফোনগী খুথাংদা কিহন খঙহনবগী থবকশিং য়াম্না তোয়না চথরক্লি। মরম অদুনা মীওই কয়া অহিং তুম্বা ঙম্নদ্রে। নুমিৎ হেক তাখিবগা মীওই অমতা মপান থোকপা ঙম্নদ্রে। কিবদগী গ্রুপ ওইনা পুনশিন্দুনা লৈনরে হায়রি।

মীয়ামদা কিহন খঙহনবগী থবক চথরিবা অমদি মোহিবপু কাপ্তুনা হাৎখিবা খুলায় পায়বা মীওইশিং অদু ম্যান্মার মিলিটরিগী মথক্তা লান হৌরিবা অরাকান রোহিংজা সেলভেসন আর্মীগী মেম্বরশিং ওইরমগদ্রা হায়না চিংনরি। অদুম ওইনমক রেফ্যুজি কেম্প অদুদা থোক্লিবা ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌওংশিং অদুগা রেবেল গ্রুপ অসিগা হিরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

করি মরমগীদমক রেফ্যুজিশিং অদুবু লুচিংলম্বা মোহিবপু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনো হায়বগী মতাংদা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। বংলাদেশ পুলিস অমসি বোর্দর গার্দশিংনা রেফ্যুজি কেম্পশিং ঙাক শেনবগী থবক চথবা হৌখ্রবসু য়াম্না তোয়না খুৎলায় পায়বশিংনা ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌওংশিং অদুম্মক চথরি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৯ দা মোহিবনা লুচিংদুনা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা কুমজা ২০১৭ কী থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা পাঙথোক্ববা হোৎনখি। মহাক্কী খোঙথাংশিং অদুবু মালেমগী লুচিংবশিংনা মশক খঙবা হৌরকপা মতমদা মহাকপু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি। অরাকান রোহিংজা সেলভেসন আর্মীনা মীফম অদু পাঙথোকপনা রেবেল গ্রুপ অসিগী ইমেজ ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিগী মমাংদা থাক হন্থহনগনি। মরম অদুনা মীফম পাঙথোকপা য়ারোই হায়না অথিংবা থমখি। মদুগী মায়োক্তা মোহিবনা থবক তৌরুবগীদমক মহাকপু হাৎখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না হৌজিকসু মীয়াম্না থাজনরি।

## মাইগ্রেন্টশিংবু ঙাক শেন্নবা পোলিসি শেম্নবগীদমক তকশিনখ্রে

গ্বাটেমালা, নভেম্বর ০৭ (এজেন্সী) :
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈরিবা রেফ্যুজিশিং ঙাক শেন্নবগীদমক অনৌবা চৎনা কাঙলোনশিং শেম্নবা রাইট্স গ্রুপশিংনা য়ু এস গভর্ণমেন্টতা তকশিনখ্রে। য়ু এসকী ভাইস প্রসিদেন্ট কমলা হেরিস মতম খরগী মনুংদা গ্বাটেমালা অমসুং মেক্সিকোদা ভিজিট তৌরবা য়ানা লৈরি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিগী মাংওইননা রেফ্যুজিশিংগীদমক অনৌবা পোলিসি অমা শেমদুনা য়ু এসতা তেক্তা কায়দনা লৈহন্নবগীদমক রাইট্স গ্রুপশিংনা তকশিনখিবনি।

গ্বাটেমালা অমসুং মেক্সিকোদা রেফ্যুজি কয়া চঙজফম লৌদুনা লৈরি। য়ু এস গভর্ণমেন্ট অমসুং ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা রেফ্যুজিশিং অদুদা চানা থক্লবা অমদি মেদিকেলগী ওইবা পোৎলমশিং মতেং পীরবসু মদুনা মপুং ফাবদি ওইদ্রি।

রেফ্যুজিশিং অদুবু মেনলেন্দশিংনা য়াম্না তোয়না ওৎ নৈবা অমদি হন্থনা য়েংবগী থৌওং চথরি। মসিনা মরম ওইরগা রেফ্যুজিশিং মখোয়না লৈরিবা কেম্প অদুগী অকোয়বদগী অতোপ্পা মফমদা মনীং তম্না চৎপা ঙমদ্রি। মসিদা নত্তনা নোংমৈ পায়বা মীওইশিংনা রেফ্যুজিশিংদা য়াম্না তোয়না এটেক চথবগী থৌওংশিং থোক্লি।

থৌওং কয়া অসিদগী ঙাকথোক্নবগীদমক গভর্ণমেন্টনা রেফ্যুজিশিংগী ওইবা অনৌবা পোলিসি অমা শেম্নগী মতম ওইরে। নোংমাইজিং নুমিত্তা গ্বাটেমালাদা ভিজিট তৌগদৌরিবা য়ু এস ভাইস প্রসিদেন্ট কমলা হেরিসনা রেফ্যুজিশিংগী য়াইনবগীদমক খল্লগা থবক কয়া পায়খৎলবা য়ানা লৈ হায়না থাজবা য়াবা পাউগী লীখুনশিংনা ফোঙদোক্নরক্লি।

# সিয়েরা লিওনগী কোনুং ফ্রিটাউনদা ওইল টেঙ্কর পোকখায়রকপদগী মীওই ৯৮ শিখ্রে, খরনা শোকখ্রে

ফ্রিটাউন, নভেম্বর ০৭ (এজেন্সী) :
সিয়েরা লিওনগী কোনুং ফ্রিটাউনদা ওইল টেঙ্কর অমা পোকখায়বগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ৯৮ শিখ্রে অদুগা খরনা অশোক অপন নংখ্রে হায়না ৱেষ্ট অফ্রিকান কন্ট্রিগী দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এজেন্সিনা ফোঙদোরক্লি।

এজেন্সি অসিনা ফোঙদোকখিবদা, থৌদোক অদু ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা ফ্রিটাউনদা লৈবা পেট্রোল পম্প অমগী মনাক্তা ওইল টেঙ্কর অনী থেংজিন্নবদগী থোকখিবনি। টেঙ্ক অনী থোংজিন্নবদগী পোকখায়বগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং মদুদগী পায়থোরকপা মৈরিনা নাকলদা খোঙনা চৎলম্বা অমদি কার তোংদুনা লাকখিবা মীওই কয়া মৈনা চাকহনখি।



পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা শিখ্রবশিংগী মনুংদা অয়াম্বদি ষ্ট্রিট ভেন্দর অমদি বাইক তোংদুনা লাকখিবা মীওইশিংনি। অচৌবা মৈরি অদুনা নাকলদা লৈরম্বা পোৎচৈ কয়াসু চাক্তুনা চাওনা অমাঙ অতা থোহকনখি। মৈনা কা হেন্না চাকখিবদগী মীওই অয়াম্বা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি। থৌদোক অদুদা মীওই ৯২ সু শোকখি। মখোয় হৌজিক হোস্পিটালদা ট্রিটমেন্ট চথরি। মখোয়গী মনুংদা অহুমগী ফিভমদি লুনা লৈরি হায়না এজেন্সি অসিনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট মুহমদ জুলদে জালোনা ফোঙদোকখিবদা, লাইবক থিবা থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা শোকহনখ্রবশিংগী ট্রিটমেন্ট তৌবদা চংবা শেনফম খুদিংমক গভর্ণমেন্টনা পুথোক্লগনি। লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি অমদি গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংনবা হোৎনগনি। অহেনবা পুলিস অমদি রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা মখা তানা থৌদোক থোকফমদগী মী কনবগী থবক চথরি। মীয়ামনা পুক্নিং ফাথনা লৈনবা অপিল তৌরক্লি।

## পুঙ কয়া ফাজিন্দুনা থম্লুরবা নুপী পাউমী থাদোরকখ্রে

জেরুসালম, নভেম্বর ০৭ (এজেন্সী) :
ইষ্ট জেরুসালমদা মীয়াম্না চঙশিনখিবা খোঙজং অমা কোভরেজ তৌরিঙৈদা ইজরেল পুলিসনা ফাজিনখিবী অল জাজিরাগী অরাবিক জর্নেলিষ্ট গিভারা বুদৈরি কষ্টদিদগী পুং কয়ামুক লৈরগা থাদোরকখ্রে হায়রি।

পুলিসনা থাদোরকখ্রবা মতুং বুদৈরিনা ফোঙদোকখিবদা মহাক অমদি মহাক্কী কেমেরামেন নবিন মজারিগা লোয়ননা সৈখ জারা থাননা লৈরিবা ইষ্ট জেরুসালমদা মীয়াম্না চঙশিনখিবা খোঙজং অমা কভরেজ তৌনবা হোৎনরিঙৈদা ইজরেল পুলিসনা খঙহৌদনা চঙশিল্লক্লগা মখোয়দা অথিবা ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নরকখিবগা লোয়ননা কেমেরামেন মবিন মজারেনা শীজিন্নবা পোৎলমশিং মাঙহন তাকহনখি। মদুগী মতুং মহাকপু মরম অমত্তা পীদনা ফাজিনখিবনি।

ফারবা মতুং মহাকপু ক্রিমিনেল অমগী মতৌগুম পুলিস গাড়ী মনুংদা য়াম্না ফজদবা মওংদা নমফুদা কাখৎহনখি অমদি মখোঙনা মহাক্কী মনগনদা কাওরকখি হায়রি। গাজা ষ্ট্রিপতা পাউমীশিংনা হৌজিকসু মনীং তম্না মথৌ তৌবা ঙমদ্রি। মসি জর্নেলিষ্টশিংগী ঈকায়খুম্নবা অমদি হক মাঙহনবনি হায়রি।

অমরোমদা ইজরেলি গভর্ণমেন্ট প্রেস ওফিস (জি পি ও) না ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না বুদৈরি হৌখিবা কুমজা ২০০০ দগী অল জাজিরাদা পাউমী ওইনা থবক তৌরকখ্রবনি। মহাক ফাবা মতমদসু প্রেস থাবা জেকেট লিংখি। অদুবু ইজরেল পুলিসনা পাউমী অমবু ক্রিমিনেল অমগী মতৌগুম পুলিস ষ্টেসনদা পুখিবা অদু লাইবকথিবনি হায়রি।

# এক্টিভিষ্ট অমা য়াওনা নুপী মরী নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে



কাবুল, নভেম্বর ০৭ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টানগী মনুং চনবা মাজর-আই-শারিফ সিটিগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা য়ুম অমগী মনুংদা নুপী এক্টিভিষ্ট অমা য়াওনা পুন্না নুপী মরী শকখঙদবশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে হায়না অফঘান ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোয় কায়ি সায়েদ খোষ্টিনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, নুপী মরী অদু করি মরগীদমক হাৎলমখিবনো হায়বা হৌজকমক্কী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা চেন্নরম্বা য়াই চিংনবা মীওই অনী ফাবা ঙমখ্রে। মখোয় হৌজিক ৱাহং পাউহংগী থবক চথরি। অথুবা মতমদা মীহাৎ অসিগী লংলা লংজিল পুথোক্তুনা মীয়ামদা খঙহনগনি। অমদি থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিংগী মথক্তা চপ চাবা চৈরাক পীগনি হায়রি। অদুবু শিখ্রবা নুপীশিং অদুগী অকুপ্পা মরোলদি খোষ্টিনা মীয়ামদা খঙহল্লকখিদে।

অমরোমদা সিটি অসিদগী ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্নদি শিখ্রবশিংগী মনুংদা নুপী এক্টিভিষ্ট অমা য়াওরি। মহাক কোলেজগী প্রোফেসারনি। কাবুলদা নুপীশিংগী রাইট ফংহন্নবা হোৎনবদা থৌদাং কয়া লৌদুনা লাকখিবী নুপী অসি সিটি অদুগী মীয়াম্নসু হেন্না মশক খঙবী অমা ওইরি। অমরোমদা লৈখিদ্রবী নুপী এক্টিভিষ্ট অসিগা লোয়নরম্বী অতোপ্পা এক্টিভিষ্ট অমনা ফোঙদোকখিবদা, মশক খঙদবা অমদগী মহাক মশাদসু লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎপদা মতেং পাংগে, নহাক্কী দোক্যুমেন্টশিং থারকউ হায়রকপদগী থাখি। মদুগী মতুংদা চিংনরকপদগী নম্বর অদু ব্লোক তৌদুনা থমখি। নুমিৎ খরনি লৈরগা চপ মান্নবা মওংদা অতোপ্পা নম্বরদগী কোল তৌরকখি। মহাক হৌজিক ফোন পায়বদা অকিবা ফাওরে হায়রি। পনবা য়াবদি টালিবানগী ওইনদি এক্টিভিষ্টশিংদা খুৎ থারোই হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা এক্টিভিষ্টশিংদা কিহন খঙহনবগী থৌবক চথবা য়ারোই হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# জিম্বাবৱেদা শামু মশিং হেনগৎলকপদগী অতোপ্পা শাশিংদা খুদোংচাদবা মায়োক্নরি

হরারে, নভেম্বর ০৭ (এজেন্সী) :
অফ্রিকাদা লমলক্কী শাশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী চাওবা শামু হাৎপগী থবক কা হেন্না চথবনা মরম ওইরগা শামুগী মশীং খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা হন্থরক্লি। অদুমওইনমক জিম্বাবৱেদদি শামুগী মশীং কা হেন্না হেনগৎলকপদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নবা হৌরে হায়রি।

অফ্রিকাদা শামু লাক্ষ অমরোম হেন্না লৈরমখি। হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দা থিখিবা মশীংগী মতুং ইন্না অফ্রিকাদা শামু লীশিং ৮৪ রোম লৈ। মদুগী মতুং হন্দক মশীং থিরুবদা লীশিং ৪৫ রোমদা হন্থরমখিবনি। লৈবাক অদুদা শামু হাত্তুনা লল্লোন ইতিক তৌবগী থবক তোয়না চথবনা মরম ওইরগা শামুগী মশীং অকিবা ফংনা হন্থরকখিবনি। অমরোমদা জিম্বাবৱে পার্কস এন্দ ৱাইল্ড লাইফ ওথোরিগী ৱাঙাংলোয় টিনাসে ফারাৱোনা ফোঙদোরকখিবদা অফ্রিকাদা শামুগী মশীং হন্থখ্রবসু জিম্বাবৱেদদি মশীং হেনগৎলকপদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরকপা হৌরক্লে। জিম্বাবৱে ওথোরিটিশিংনা ঙম্লিঙৈ মতমদা শামুবু ঙাক শেন্দুনা লাকখি। অদুবু মশীং কা হেন্না হেনগৎলকপদগী অতোপ্পা শাকয়াগী লৈফমশিং শামুনা মাঙহন তাকহনবগী থৌওং তোয়না চথরি।

জিম্বাবৱেদা ঙম্লিঙৈ মতমদা লংজা কয়া লৈরমখি। হৌখিবা চহী খরা অসিদা লংজাশিং কা হেন্না শীজিল্লক্লি। হান্না লৈরম্বা লংজা অয়াম্বসু মফম অসি থাদোক্তুনা পাইনখ্রে। মসিগী মরু ওইবা মরমদি লংজাশিং অদুনা শৈদাংফম ওইরিবা উ পাম্বীশিং অদু শামু লমশাশিংনা মনাতোন্না কোক্তুনা থুদেকপা অমদি ঙাইহাক লৈতনা নোম্বদগীনি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিনা মরম ওইরগা শামু মশীং কন্ট্রোল তৌনবগীদমক পাক্তক্লনা হাৎপগী থবক চথরবা য়ানা লৈরি। লোগী মতুং ইন্নসু মশীং কা হেন্না হেনগৎলকপা শাশিং পাক্তক্লনা হাৎপদা অয়াবা পীরি।

ইন্তরনেস্নেল য়ুনিয়ন ফোর কঞ্জারভেসন ওফ নেচর (আই য়ু সী এন) না ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্নদি জিম্বাবৱেদা শামু মশীং হেনগৎলক্লবসু অফ্রিকাদদি মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে। মসিনা মরম ওইরগা জিম্বাবৱেদা লৈরিবা শামুশিং অতোপ্পা লৈবাকশিংদা থাজিন্নবা হোৎনগদবনি। জিম্বাবৱেদা শামু মশীং হেনগৎলকপদগী মীয়াম অমদি অতোপ্পা লম্লক্কী শাশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকনহল্লক্লিবা অসিগী মতাংদা খন্না নৈনবগী মতম ওইরে। অদুমকপু শামুশিং পাক্তননা হাৎপদা অয়াবা পীরবদি তুংদা খুদোংচাদবা কয়া থোরকপা য়াই। নীয়ম লান্না শা হাৎপা মীওইশিংনা কা হেন্না খুদোংচাবা লৌখিগনি হায়রি।

## টালিবান মেম্বরশিং নত্তনা অতোপ্পা পুদনবা খঙহনখ্রে

ননগরহর, নভেম্বর ০৭ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা টেক্সি দ্রাইভরশিংনা ননগরহর প্রোভিন্সকী নোংপোক থংবা শরুক্তা টালিবান মেম্বর অমদি মসিগা মরী লৈনবশিং নত্তনা অতোপ্পা নোংমৈ পায়বা মীওই অমত্তা তোংহন্দনবা খঙহনখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ননগরহর প্রোভিন্সিয়েল প্রোভিন্সকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা, প্রোভিন্স অসিগী সিক্যুরিটিগী য়েংলগা পায়খৎলকপা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা অতোপ্পা খুৎলায় পায়বা মীওইশিং প্রোভিন্স অসিদা টেক্সি দ্রাইভরশিংনা পুথোক পুশিন তৌদনবা খঙহনখিবনি। টালিবাননা অফঘানিষ্টানদা পৱার পায়রকপদগী থোক্লিবা ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌওংশিং অসি থিংনবগীদমক তোঙান তোঙানবা পোলিসি কয়া পায়খৎলি।

# চহী ২০০০ শুরবা মীনাইশিংনা লৈনরম্বা কা অমা থেংনখ্রে

রোম, নভেম্বর ০৭ (এজেন্সী) :
অরিবা ইটালিগী সিটি অমদা আর্কিওলোজিষ্টশিংনা কা হেন্না ফিভম শোকচিন্দ্রিবা চহী ২০০০ রোমগী মমাংগী ওইগদবা মতমদুগী মীনাইশিংনা লৈনরম্বা কা অমা দিসকোভর তৌবা ঙমখ্রে।



ঙসিদগী চহী ২০০০ রোমগী মমাংদা মাউন্ট ভেসুবিয়স ইরপসননা মরম ওইরগা রোমান ভিল্লাদা লৈরম্বা মফম কয়া অমাঙ অতা থোকহনখি। মফম অসিগী অকোয়বদা লৈরম্বা য়ুম অমদি শঙ মচা কয়া ইরপসন অদুনা মরম ওইরগা লৈনুংদা ফুমজিনখিবনি। অরিবা সিটি অসিগী অকোয়বদা আর্কিওলোজিষ্টশিংনা চহী কয়াগী মমাংদগী হান্না লৈরম্বা অরিবা পোৎ চৈশিংগী মতাংদা থিজিন্দুনা লাক্লি।

নুমিৎ খরনিগী মমাংদা ঙরাং থেংনখিবা মীনাইশিংনা লৈফম কা অসিগী মনাক্তা শাগোল গাড়িগী অতেকপা শরুক খরা থেংনখি। মদুদগী মখা তানা অকোয়বদা থিজিনবগী থবক কনখৎখিবনি। শাগোল গাড়িগী শরুক মচেৎ খরা থেংনখিবা মফমদগী ইরাপ লাপ্তুনা শঙ মচা অসি লৈরমখিবনি। মতমদুগী ফম্নাইবশিংগী শগোল গাড়ি শেন্নবগীদমক মীনাইশিং অদু থম্বা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

পোম্পে অর্কিওলোজিষ্টশিংনা মখা তানা হিরম অসিগী মতাংদা ফোঙদোকখিবদা, ঙরাং থেংনখিবা অপীকপা কা অদু মীওই অহুম লৈবা য়ানবা মওংদা শারম্বনি। লৈবাক্লা অকোয়বা অমদি মথক থংবা শরুকশিং অদু য়াম্না চেকশিন্না খাজিন্দুনা লৈরি অদুগা মনুংথংবা শরুক্তনা উদা ময়েক হকপা খরা লৈমায়দা য়ুংদুনা মদুগী অকোয়বদা তুম্ফমশিং লৈরি। কা অসিগী মনুংদা লৈবাক্লা শাবা মপুঙ ফানা কায়দ্রিবা চফু খরসু থেংনবা ঙমখ্রে। মসি অর্কিওলোজিষ্টশিংগী ওইনদি য়াম্না চাওনা মায় পাকপা অমনি।

৭৯ শুবা এদিদা মাউন্ট ভেসুবিয়স ইরপসননা মরম ওইরগা পোম্পে সিটিবু উফুল তানা মাঙহন্দুনা লৈরোলনুংদা থমখিবনি। মতমদুদা থোকখিবা ইরপসন অদুনা মরম ওইরগা সিটি অদুদা লৈরম্বা মীওই কয়াসু শিহনখি। মতম চানা সিটি অদুদগী চেন্থোরকখিবা মীওই খরখক্তমক থৌদোক অদুদা হিংহৌখিবনি। মফম অসিদা অসিগুম্বা কা অমা থেংনবদা অর্কিওলোজিষ্টশিং অঙকপা ফাওবতা নত্তনা য়াম্না নুংঙাইবসু ফাউখি। ঙরাং থেংনখিবা অরিবা কা অসিনা মরম ওইরগা মাঙখ্রবা পোম্পে সিটিগী মতাংদা অমদি পোম্পে সিটিনা লৈরোলনুংদা চঙদ্রিঙৈদা করম্বা চৎনবী লৈরম্বগে অমদি মীনাই থম্বগী চৎনবী অসি করম্বা চহী চাদগী হৌরকখিবগে হায়বগী মতাংদা থিগৎপদা চাওনা মতেং ওইরগনি।

নৌনা থেংনখ্রবা কা অসিদা অপীকপা থোংনাও অমসু পাল্লি। মখোয়শিং অদু থবক লোইরবা মতুং কা অদুদা মপান থোকহন্দনা থম্লম্বা য়াবগী ওইথোকপসু লৈরি। কা অসিদগী ফংখিবা অরিবা পোৎলমশিং অসিগী মতাংদা থিজিনবগী থবক চথবা হৌখ্রে। মাঙখ্রবা সিটি অসিগী শরুক অমা ওইরম্বা কা অমা ফংখিবা অসি অর্কিওলোজিষ্টশিংগী অচৌবা মায় পাকপা অমনি হায়রি। পনবা য়াবদি ইটলিদা হৌখিবা কুমজা ২০১৭ তগী হৌরগা পোম্পে সিটিগী মতাংদা থিজিনবা হৌরকখিবনি।

# মীওই অনী শিহনখিবা মেক্সিকো শুটিংগী থৌদোক্তা চেন্নরম্বা য়াই চিংনবা অনী ফারে

মেক্সিকো সিটি, নভেম্বর ০৭ (এজেন্সী) :
হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা কেরিবিয়ন সিগা তাইননা লৈরিবা কানকুন সুমদ্র খোঙবালদা দ্রগ কার্টেল মেম্বরশিংগী মরক্তা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অমদা মীওই অনী শিহনখি। থৌদোক অদুদা চেন্নরম্বা য়াই চিংনবা মীওই অনী ঙরাং মেক্সিকো পুলিসনা ফাবা ঙমখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা এটোর্নি জেনরেলগী ওফিসনা ফোঙদোকখিবদা, নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওইশিং অদুনা তোংলকখিবা গাড়ি ওইরম্বা য়াই চিংনবগী মনুংদা অহুমগী লৈফম খঙবা ঙমখিবগা লোয়ননা গাড়িশিং অদুনা খামদুনা লৈরিবা মফমদা পুলিসকী অখন্নবা টিম অমা চঙশিন্দুনা ফানবা হোৎনখি। পুলিস লাকপা উবদগী য়াম্না খোঙলৈ থুনা দ্রাইভর অমদি মফমদুদগী নাম্থোক্তুনা চেনখি। অখন্নবা পুলিস টিম অদুনা হৈনা শিংনা হোৎনদুনা দ্রাইভর অনী অমদি ফাবা ঙমখিবনি।



ফারবা দ্রাইভর অনী অদু পুলিস কষ্টদিদা থমদুনা ৱাহং পাউহংগী থবক চথবা হৌখ্রে। মখোয় অনী অদু কানকুন এরিয়াদা ময়ায় কাবা চিঞ্জাক য়োনবগী থবক পাক শন্না চথরিবা সিনালোৱা দ্রগ কার্টেলগী মীওইশিংনি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে। মফম অদুদা অতোপ্পা দ্রগ কার্টেলগী মেম্বর খরা চঙলক্তুনা টুরিষ্টশিংদা দ্রগ য়োনবগী থবক চথরে হায়বগী পাউ ফংলবা মতুং গাড়ি মরীদা মীওই ২০ রোম তোংদুনা লাকখিবনি। মখোয়না অতোপ্পা দ্রগ য়োল্লিবা মীওইশিং অদু মফম অদু থাদোক্তুনা চৎনবা খঙহনখি। মদুদা য়ান্নরক্তবদগী গেং খুৎপু অনীগী মেম্বরশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্নরকখিবনি।

থা অসিগী ৪ দা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক অদু কানকুন সমুদ্র খোঙবালদা লৈবা লক্সরি হোটেল অমগী মনাক্তা থোকখিবনি। হায়রিবা হোটেল অসি মফম অদুগী ওইনা টুরিষ্টশিংনা খ্বাইদগী হেন্না পাম্নবা অমা ওইরি।